# "Sarafina" ফিল্মদগী মালেমদা শেৎ কায়না ফাওখিবী এক্ট্রেস - Leleti Khumalo




মীওইবগী লাইবক হায়বসি তম্বা ঙমদে। কনা অমনা থৱায় য়াওনা মপুন্সি চূপ্পা কখোত্তুনা হোৎনবদা মীয়াম্না শকখঙনবা অফাওবা হায়বদু ওইবা ঙমদে। কনা অমনা শুপ্নতগী অমুক্তদা খংফাও ফাওখিবসু লৈতবা নত্তে। হৈগে হৈয়ু হৈরোই তোকউ, মরাইবক্কুবু চুল্লবদি অহিং অমদা খংফাও ফাওখিবা মী কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। মীওইবগী লাইবক হায়বসি য়াম্না লুই।"Sarafina" হায়বা সাউথ অফ্রিকাগী ফিল্ম অসি হেক রিলিজ তৌরকপদা ফিল্ম অসিদা main protagonist ওইনা কুল্লিবী Lelete Khumalo হায়বী এক্ট্রেস অসি ফিল্ম অসিদা ইহান হানবা ওইনা কুম্লকখিবনি। অদুবু ফিল্ম অসিনা রিলিজ তৌরকপদগীদি মহাক্কী মমিং অসি মালেমদা খঙনদবা লৈরকখিদে। মমৈথংদদি মহাক খ্বাইদগী মমিং চৎপী ফিল্ম এক্ট্রেস অমা ওইবা ঙমখি। Sarafina হায়রিবা ফিল্ম অসি কুমজা ১৯৭৬তা থোকখিবা সাউথ অফ্রিকাগী মহৈরোয়শিংনা হৌখিবা "Soweto gi riot uprising" হায়না হৌজিক ফাওবা খঙনরিবা ঈহৌ অদুদা য়ূম্ফম ওইখিবনি। ফিল্ম অসি অসুক্কী মতিক মীয়াম্না পাম্নখিবা ফিল্মনি। সাউথ অফ্রিকাদা ফিল্ম অসিমক ষ্টেজদা ওইনসু মশীং য়াম্না শান্নখি। মদুদা Leleti মশামক্না ষ্টেজদুদসু এক্টর ওইনা কুমখি। কুমজা ১৯৮৭তা NAACP Image Award for Best Stage Actress ফংবা ঙমখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৮৮দসু Tony Award for Best Actress ফংখিবনি। মশাগী চহী ১৫ শুরকপদা সাউথ অফ্রিকাগী মমিং লৈরবা এক্টর, ম্যুজিক্সিয়ন অমদি প্লেরাইট Mbogena Ngema না মহাক্কী অনৌবা ম্যুজিকেল প্রদক্সনগীদমক টেলেন্ট লৈবা অনৌবা দান্সর খরা থিরকপা তাঞ্জাদা Leleti সু audition গীদমক এপ্লিকেসন থাজিল্লকখি। মখোয় গ্রুপ অদুগী রিহার্সেল উবদা Mbogena Ngema না মহাক্কী অনৌবা ফিচর ফিল্ম Sarafina গী কেরেক্টর শান্নবগীদমক Leleti না ঙমগনি হায়বা থাজখি লোয়ননা মঙোন্দা sarafina শাবা ঙমগদ্রা হায়না হংবদা Leleti নসু ঙমগনি হায়না পাউখুম পীখি। Leleti Sarafina গীদমক এসাইন্টমেন্ট ফংলবা মতুংদা international blockbuster ওইখিবা ফিল্ম অসিদা নিংথিজনা পার্ফোমেন্স পীখি। মমৈথংদা মঙোন্দগী চহী ১৫ হনবা Mbogena Ngema গা লোয়ননা Leleti লুহোংদুনা য়ূম্বানমিন্নরকখি। Ngema অসি নুপী অমা থিদুনা লৈরবনি। Sarafina ফিল্ম নম্মীঙৈদগী হৌনা Leleti দা মহাক্কী নুপী ওইজরগে হায়না থেমখি। মতমদুদা অঙাংসু ওইরিবনা মহাক্না অথিংবা পীখিদে। লুহোংবগী নুমিৎ অদুমক্তদা Ngema গী হান্নগী নুপীদুনা মখোয়গী লুহোংবা অদু থিংনবা কন্না হোৎনখিবনি। মহাক্কী মমামক্কু সু Leleti না লৌরিবা ফিরেপ অদু য়ানীংখিদে মরমদি Ngema অসি নুপী লৈরবা নুপা অমনি হায়দুনা কন্না য়েৎখিবনি। অদুবু Leleti না নহা ওইবগী অরানবা ফীরেপ অমা লৌদুনা লুহোংখিবনি। কুমজা ২০০৫দদি য়ানদবা খরদগী Ngema গা মহাক্না খাইনদুনা ময়ূমদা লৈখি। হৌজিক্তি Leleti ব্যুজিনেস তৌবা Skhutazo Winston Khanyile কৌবা অমগা নৌনা লুহোংদুনা লৈমিন্নরি। মখোয় অনী অহানবা থেংনবদা Leleti না মহাকপু তশেংনা নুংশিবীবা অমদি মহাক্কী পূক্নিং অমদি পুন্সিবু মুন্না খঙবীবা মীশক অমা য়েংলিবনি হায়না ফোঙদোকপদা Winston গা য়ানদুনা লুহোংদুনা লৈরি। মখোয় অনীগী মচা ত্বিন ওইনা পোক্তুনা অনৌবা আশা অমগা লোয়ননা তেক্তা কায়দনা লৈমিন্নরি। The actress seems to have found the happiness she has been long searching for in her new man.

তশেংনমক্তি Leleti অসি দান্সপু য়াম্না পামজনা তম্লকখি। দান্সর পার্ফোমেন্স অমা ওইনা হান্না মীয়াম্না শক খঙনৈ, মাগী তোপ তোপ্পা অমা হায়বা তারবদি গ্রুপ দান্স শাবসু মহাক্কী এক্সপ্রেসন অমদি বোদি লেঙ্গৈইজনা অয়েংবশিংগী পূক্নিংবু শুম্মৎপা ঙম্বগী থোইদোকপা অমা মঙোন্দা লৈ। য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা দান্স অমদি ম্যুজিক তম্লকই। মমৈথংদা ষ্টেজ এক্টর অমা ওইনা লাকখিবনি। Lelete ইরায় লায়না প্লে অমদা হেক্তা কুমদে, মমুৎ তানা তম্লগা অমদি হায়রগা প্লে কুম্মী। অদুনা ফিল্মদসু অদুমঙাই ফিল্ম অমা কুম্ন বা হায়রবদা মহাক হেক্তা য়াদে, স্ক্রিপ্ট অদু মমুৎ তানা পারবা মতুংদা মহাক এসাইনমেন্ট তৌই। হৌজিক ফাওবদা মহাক ফিল্ম মশীং য়াম্না কুমদে। শুপ্নতগী ফিল্ম নিপান্দগী হেন্না কুমদ্রি। মহাক্না কুমখিবা ফিল্মশিংদা য়াম্না মমিং চৎখিবা ফিল্মশিংদি - Sarafina, Hotel Rawanda, Invictus অমদি Yesterday হায়বা অসিনি। অতৈ ফিল্মশিংদি -Cry the beloved country, Winnie Mandela, Uzalo, Faiths Corner হায়বশিং অসিনি। Leleti South Africa গী মমিং লৈরবী শৈশকপী অমসু ওইরি। কুমজা ১৯৩৩দা মহাক্কী অহানবা ম্যুজিক এলবম Leleti and Sarafina কৌবা Muhammad Ali দা dedicate তৌবা অমা রিলিজ তৌখি। মদুনসু মহাকপু হেন্না মমিং চৎনবগী মরম অমা ওইখি।



Leleti Khumalo South Africa গী North Durban গী Kwa Mashu টাউন্দা কুমজা ১৯৭০দা পোকখি। মহাক্না চহী ৩ শুরকপদা মহাক্কী অপোকপা মপা লৈখিদে। য়াম্না লায়র-নংনা হৌরকখি। মহাকপু পোকপী মমানা মীগী ময়ূমদা দোমেষ্টিক লেবর অমা ওইনা থবক তৌদুনা থাল্লকখি। মচিন মনাও অহুমবু থাক্নবা হোৎনবদা ঙমখৈ লৈতনা ৱাজরবী মমাগী মতেং পাঙবা ওইনা উনা শাবা পোৎলম য়োন্দুনা ৱানা হিংনবা হোৎনরকই। মসিগী মরকসিদনি Leleti না ম্যুজিক অমদি দান্সপু পাম্লকখিবা। অদুনা অপীক অপীকপা ফঙ্কসন কয়াদা দান্স তৌদুনা মহাক্কী মশক তাকপা হৌরকখি। তশেংনমক Leleti অসি পার্ফোমেন্স অমা ওইনা পোল্লকপগা চপ মান্নখ্রে। তপ্না তপ্না মাগী পার্ফোমেন্সনা মহাকপু চীংখৎলকখি। মমৈথংদা মহাক ফিল্মদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি।

Leleti টি ভি সেরিএল জেনরেসন হায়বা অমগীদমক এনগেজ তৌদুনা কাষ্ট তৌখি। সাউথ অফ্রিকাদা খ্বাইদগী শাংবা অমদি মমিং চৎপা মায় পাকপা সেরিএল অমা ওইখি। সেরিএল অদুদা Leleti Busiwe Dlomo হায়বা পব্লিশিং হাওস অমগী মপূ ওইবী কেরেক্টর অমা শাখি। মসিগী মতুংদা হৌজিক Radio Vuma FM হায়বা অদুদি হৌজিকমক্কী ওইনদি পাউ লৈত্রি। অদুবু মহাক অখন্নবা ফিল্ম খরদদি মহাক্কী তৌবা ঙম্বা কয়াশিং উৎখিগনি হায়না থাজৈ।

হক শেংশেল

## লিভর অমসূং ব্রেন্দা পোমখৎলকপগী লায়না

# রাইস সিন্ড্রোম



রাইস সিন্ড্রোম হায়বসি য়াম্না তাঙনা থোকপা অদুবু খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লায়না মখল অমনি। অয়াম্বা মতমদা ফ্লু নৎত্রগা চিকনপোক্কনচিংবা ভাইরেল ইনফেক্সন্ননা নাবদগী ফীভম ফগৎলক্কবা অঙাং অমসুং ইনখৎলক্লিবা মীওইশিংদা তোয়না নাগনবা লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা লিভর অমদি ব্রেন্দা পোমখৎলকই।

লায়না অসিগী মরু ওইবা লায়ওংশিংদি ৱাখল খনবা ঙম্লক্তবা, য়াঙ চিংলকপা অমসুং শারৈ হৌরকপা অসিনচিংবনি। রাইস সিন্ড্রোমনা মরম ওইরদুনা অঙাংগী ব্লদ সূগর লেভেল খঙহন-হন্থরকই অমসুং ঈদা য়াওবা এমোনিয়া অমদি এসিদিটিগী চাং ৱাংখৎলকই। মতম অমুক্তদা লিভর অমদি ব্রেন্দা পোমখৎলকপদগী য়াঙ চিংবা, ৱাখল খনবা ঙম্লক্তবা অমসুং শারৈ হৌবনচিংবা ওইহল্লকই।

পীক্লিবা অঙাংশিংদা ফ্লু (ইনফ্লুয়েঞ্জা) নৎত্রগা চিকনপোক্স নৎত্রগা অপ্পর রেস্পিরেটরি ইনফেক্সন তৌরবা মতুং নুমীৎ হুম্নিদগীনা মঙানি ফাওবগী মনুংদা রাইস সিন্ড্রোমগী লায়ওং উথোরকই। চহী ২ শুদ্রিবা অঙাংশিংদদি অহানবা হৌগৎলকপদা খোঙ হামথবা অমসুং নিংশা শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোনবগী অৱাবা মায়োক্নরকই। চহী খরা য়াম্লবা অঙাংশিংদনা তোয়না ওবা, তুম্নিংদুনতা লৈবা অমসুং হকচাং চোকথবগী অৱাবা মায়োক্নরকই।

খরা হেন্না ফীভম হেঞ্জিনখ্রবদি খোয়রাং-খোয়শাওনবা, ৱাখল চমম্নবা, মীৎতা মশেন-মরাং উরকপা, খোঙ-খুৎ শিথরকপা অমসুং চুম্না ৱাখল খনবা ঙমদবগী অৱাবা মায়োক্নরকই।

মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লায়না অসি স্পাইনেল টেব (লম্বর পঙ্কচর), লিভর বাইওপসি, কম্প্যুটরাইজ টোমোগ্রাফি (সী টি) স্কেন অমসুং স্কিন বাইওপসিগী মতেংনা দাইগনোস তৌবা ঙম্মী।

অয়াম্বা মতমদা হোস্পিটালগী ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু) দা থমদুনা লায়েংবগী মথৌ তাবা লায়না অসি ঙাকথোক্নবগী অহানবা খোঙথাংদি অঙাংদা য়ারিবমখৈ এস্পিরিন য়াওবা হীদাক পীজদবা অমসুং মতম চানা টিকা থাদোকপনি।

ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

## কুচূ ফজহন্নবা য়ুমদা তৌবা য়াবা মহৌশাগী পান্থৈশিং



মরোলগী চাং হেনগৎ-লক্কনি। মসিদগী কোক্নবা য়ুমদা তৌগদবা পান্থৈ খরা আর্টিকল অসিদা পীজরি।

য়ুমদা তৌবীগদবা পান্থৈশিংদু থমজদ্রিঙৈগী মমাঙদা কেমি-কেলশিং শীজিন্নবীগনু হায়বসিমদি ঙাকহঞ্জনিংই। কৈথেলনা উনশাগী ক্রিমশিংনা অঙকপা মওংদা উনশাদু য়াম্না থুনা ফজথোকহনবা য়াই। তৌইগুম্বসু ক্রিমশিং অসিদা কেমিকেলগী চাং ৱাংনা য়াওবনা অসিগুম্বা কৈথেলদা থোক্লিবা উনশা ফজথোকহনবগী ক্রিমশিং অসি মতম খরা শীজিন্নরক্নবা মতুংদা উনশাগী মশাগী মঙাল অদু মাংখি। অদুনা ঐখোয়না হকচাংগী মফম খুদিংমক্তা শোক্নিংঙাই ওইদ্রবা মহৌশাগী ওইবা পান্থৈশিংদমক শীজিন্নগদবনি।

মহৌশাগী পান্থৈশিংদি হকচাংদা শোক্নিংঙাই ওইদবদা নত্তনা মচলশিংসু ঐখোয়গী য়ুম-য়ুমদা ইকোম কোম্না ফংই। কালেন্থাগী মতমদা নুমীৎকী মৈশানা ঐখোয়গী উনশাগী মচূ-মমেল মাংহল্লি অমসুং ঐখোয়গী উনশাবু মুশিলহল্লকই। অসিগুম্বা ফীভম লাকপা মতমদা ঐখোয়না নুংশাগী অকনবা মৈশাগী ইফেক্টতগী কন্ননবা মমল য়াম্লবা বিয়ুটি ক্রিমশিং তঙাই ফদনা শীজিন্নবা তারকই।

মতম চূপ্পগী ওইনা উনশা ঙৌথোক্না লৈনবা ফ্যেরনেস ক্রিমশিংদা শেল থাদবসি নোংপোক্লোমগী মীশিংনা হেল্লি হায়নৈ। কৈথেলদা ফংলিবা প্রদক্টশিংদা মরু ওইনা ব্লীচ (কেমিকেল), এলো ভেরা অমসুং চন্দ্রাগী এক্সত্রেক্টশিং য়াওই। পোৎশকশিং অসিনা উনশাগী (হকচাংগী) মেলানিন পুথোকপগী চাং হন্থহন্দুনা উনশা ফজথোকহল্লি ( ঙৌথোকহল্লি)। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা কৈথেলগী পোথোকশিংদি মমল য়াম্না তাংই মরম অদুনা ঐখোয়না মমল চঙদবা য়ুমগী সিক্রেটশিংদা মায় ওনশিনগদবনি।

মীশিংনা শক কূচূ ফজহন্নবগী পান্থৈশিং লেপ্তুনা থিরি, মদুসু সাইদ ইফেক্ট লৈরোইদবা পান্থৈশিংনি। মতাং অসিদা য়ুমদা শেম্বা য়াবা উনশা ফজথোক্নবগী পান্থৈশিংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরকই। নহাক্কী অহল ওইরবী অবোক্তুনা য়ুমদা অরৈবা পান্থৈশিং শীজিন্নদুনা শেম-শাবশিংবু থৱোই-ৱাৱোইনা লৌদবা নহাকসু তৌরম্বা য়াই, অদুবু মদু ওইবা তারবদি ৱাখল অমুক্তং খন্থবা চঙবা য়াই।

নহাক্কী উনশা অদু তরং-তরংনা কুচূ-কুমেল থোক্ন া ফজহনগে হায়রবদি খ্বাইদগী ফবা পান্থৈদি মহৌশাগী ওইবা পান্থৈনি। কৈথেলদা মখল-মখা কয়াগী স্কিন ক্যেরগী পোথোক কয়া ফংই অমসুং পোৎশকশিংদু শীজিন্নবা মতমদা নহাক্কী উনশাদু ঙৌরোক ঙৌনা ফজথোক্লকপা য়াই। তৌইগুম্বসু য়ুমদা তৌবা য়াবা পান্থৈশিং হায়বদি মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈদগী শেম-শাজবা পোৎশকশিং শীজিন্নবনা থাঙ্গৈশেংনা ঙক্নিংঙাই ওইবা মওংদা কান্নবা পীগনি। কালেনগী মতমদা উনশাদা মুশিন্না উবা অসি উনশাগী মরোলদা মেলানিন পৈশিনবদগীনি। নহাক্কী উনশাদা মেলানিন পুথোকপা হেল্লিবমখৈ অমুবা





গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স
NATION TAX MARKET
GST
JAGO GRAHAK JAGO

মীচমগীদমক জি এস টি

মীয়াম্না শীজিন্নবা আইটেম অয়াম্বা জি এস টিগী মখাদা ০% নৎত্রগা ৫%গী চাংদা লৌরগনি।

জি এস টি 0% চাংদা

• চেনা নৎত্রগা পানীর • মহৌশাগী খোইহী • গেহু অমসুং মেসলিন • রাই • বার্লি . ওটস . চুজাক (কোর্ন) . চেঙ . সের্গুম মরূ . বকৱীট, মিলেট অমসুং কনেরি মরূ, জৱার, বজরাগুম্বা অতৈ সেরিএলশিং . গেহুগী নৎত্রগা মেসলিনগী য়াম . গেহু নৎত্রগা মেসলিনগী নৎত্রগা অতৈ হৱাই চেঙৱাইগী য়াম . সেরিএল গ্রোটশিং, মিল অমসুং পেলেটশিং . অলুগী য়াম . দ্রাইদ লেগুমিনস ভেজিটেবলস (শেলদ) হায়বদি হৱাইশিং . অকংবা মখানা. ফ্রোজন স্বিট পোটেটো অমসুং মান্নবা রুটশিং অমসুং ট্যুবরশিং।

জি এস টি 5% চাংদা

পেক তৌবা অমসুং ব্রান্দেদ ওইবা আইটেমশিং হায়রগা প্রিস্ক্রাইব তৌবা কন্দিসনশিংগী মতুং ইন্না য়ুনিট কন্টেনরদা হাপ্পা অমসুং (a) রেজিষ্টর তৌবা ব্রান্দশিং য়াওবা নৎত্রগা (b) লো কোর্টতা এক্সনেবল নৎত্রগা ইনফোর্সিবল রাইট লৈগদবা ব্রান্দ মিং য়াওবা [অসিগুম্বা ব্রান্দ মিংদা এক্সনেবল ক্লেম নৎত্রগা ইনফোর্সিবল রাইট লৈত্রবশিং নত্তবা] আইটেমশিংবু খঙনৈ*।

*মথক্কীসিগী অহেনবা অকূপ্পশিংগীদমক, য়ু আর এল : goo.gl/z2wR8f তা ফংলিবা "ব্রান্দেদ ফুদ প্রদক্টশিং এক্সনেবল ক্লেম" গা মরী লৈনবা তারিখ ২২.০৯.২০১৭কী অমসুং রিলিজদা য়েংউ।

অপদেট তৌবা সী জি এস টি রেট নোটিফিকেসনগীদমক, ভিজিট তৌবিয়ু য়ু আর এল : goo.gl/6fhcf3

আইটেম ৯৫% হেন্না জি এস টি স্লেব ১৮%দা মসিগী মখাদা লৈরে।

এম আর পিদা জি এস টি ইনক্লুসিভ ওই। পেকেজশিংদা নল্লিবা এম আর পিদগী হেন্না পীগনু।

জি এস টি - অকৎবা অমসুং অচম্বা টেক্স

সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস এন্দ কম্মসিএল টেক্সেস দিপার্টমেন্টস ওফ ষ্টেটস / য়ুনিয়ন টেরিটোরিস
www.cbec.gov.in, www.cbec-gst.gov.in

davp 15502/13/0279/1718